চেলেঞ্জ কপ ভেটরান্স ফুটবোল টুর্নামেন্ট

# চজিং এফ সীনা এস ভি এফ এ সদর হিলসপু ২-০ দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙখ্রে

ইম্ফাল, মে ১২ :

মণিপুর ভেটরান ফুটবোল এসোসিএশন্না শিন্দুনা খোংমন ক্ষেত্রি লৈকায়, ইম্ফাল ইষ্টতা লৈরিবা এলেভেন ষ্টার স্পোর্টিং য়ুনিয়ন গ্রাউন্দ (অকাম্পাৎ) দা চথরিবা ১৯ শুবা চেলেঞ্জ কপ ভেটরান ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৭ কী ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা সেমী ফাইনেল মেচতা চজিং এফ সীনা এস ভি এফ এ সদর হিলসপু ২-০ দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙখ্রে।



অনীশুবা সেমী ফাইনেল মেচ অদুদা চজিং এফ সী অমদি এস ভি এফ এ সদর হিলস অনীনা অকনবা লম্বা তৌদুনা শান্নরকখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেল চঙননবগীদমক টিম অনীমক্না মখোয় মখোয়গী হৈজ-শিংজবা কয়া উৎথোক্নদুনা শান্নরকখি। মেচকী অয়াম্বা মতমদা চজিং এফ সীনা বোল পায়দুনা শান্নরকখিবনা মেচ অদু দোমিনেট তৌনা চৎখি।

চজিং এফ সীনা মায়োক্নখিবা এস ভি এফ এগী মায়কৈদা অতৎ অখম লৈতনা এটেকশিং মনম মনম তৌশিনখি। মখোয়না তৌখিবা এটেক্তা মেচকী মিনিট ১৬ চৎপা মতমদা দল্লিয়ু রোবিন্না গোল অমা চনশিন্দুনা ১-০ দা মাঙজিল থানা চৎখি।

চজিং এফ সীনা হনবা লৈতনা অহেনবা গোলশিং চন্নবগীদমক মায়োক্নখিবা এস ভি এফ এগী মায়কৈদা এটেকশিং তৌখি। এস ভি এফ এসু গোল ইক্বেলাইজ তৌননবগীদমক মখোয়গী লৈজবী মতিক মথৌনা উৎথোক্তুনা শান্নখি। অদুবু টিমগী প্লেয়রশিংগী মরক্তা অন্দরষ্টেন্দিং লৈনখিদবদগী গোল চনবা য়াবা খুদোংচাবা ফংখ্রবসু অরেম্বা তাখি।

চজিং এফ সীদি হনবা লৈতনা গোল চন্নবা এটেম্পশিং তৌখি। অদুবু অহানবা হাফ ফাওবদা অহেনবা গোল অমত্তা চনবা ঙমদনা লৈখি। এস ভি এফ এনা গোল অমা শোত্থনা লৈখি।

অনীশুবা হাফতা চজিং এফ সীনা য়াম্না টেম্পো লৈনা শান্নরকখি। মখোয়না গোল মার্জিন ৱাংনা মায় পাক্তুনা ফাইনেল চঙননবা অকনবা মওংদা শান্নখি। মখোয়না মায়োক্নখিবা এস ভি এফ এগী মায়কৈদা তৌখিবা এটেক্তা গোল চনবা য়াবা খুদোংচাবা ফংখ্রবসু টিম প্লেয়রশিংগী মরক্তা পাশিংদা অশোয়বা লৈখিবদগী চনবা ঙমখিদে।

চজিং এফ সীনা হনবা লৈতনা এস ভি এফ এগী মায়কৈদা এটেকশিং তৌখি। এস ভি এফ এসু গোল ইক্বেলাইজ তৌননবগীদমক অকনবা প্রেসর পীদুনা মায়োক্নখিবা সাইদতা চঙশিনখি। মখোয়না চঙশিনখিবা এটেক্তা গোল চনবা য়াবা খুদোংচাবা ফংখ্রবসু টার্গেট মপা চুম্না কাওখিদবনা গোল ওন্থোকপা ঙমখিদে।

চজিং এফ সীনা মায়োক্নখিবা সাইদতা চঙশিনখিবা এটেক অমদা মেচকী মিনিট ৬২ চৎপা মতমদা এন সাগোরনা গোল অমা চনশিন্দুনা ২-০ দা লৈখি। মেচ অদুগী অরোইবা পুংজা ফাওবদা এস ভি এফ এনা গোল অমত্তা চনবা ঙমখিদবদগী চজিং এফ সীগী মখূৎতা য়াম্না লাকচনা মায়থীদুনা লৈহৌখি।

ফেদরেসন কপ ঃ

# শিল্লোং লাজোংনা দি এস কে সিবাজিয়ান্সপু মায়থীবা পীদুনা অহানবা ওইনা মায় পাকখ্রে

কট্টক, মে ১২ :

প্লেয়র তরানা শান্নখিবা শিল্লোং লাজোংনা মফম অসিগী বরাবাতি ষ্টেদিয়মদা চথরিবা হেরো ফেদরেসন কপকী ইরাই নুমিৎতা শান্নখিবা মেচতা দি এস কে সিবাজিয়ান্সপু ৩-২ দা মায়থীবা পীদুনা মখোয়গী অহানবা ওইনা মায় পাকপা ঙমখ্রে।



লাজোংনা সেকেন্দ হাফকী মিনিট ৭৫ চৎপা মতমদা মখোয়গী প্লেয়র বিশাল কাইথপু রেফ্রিনা ফিল্ডদগী তান্থোকখিবদগী প্লেয়র তরানা শান্নখি। লাজোংগী এলেন দিওরিনা মেচকী মিনিট ৪৯, রিদীম টলাংনা মেচকী মিনিট ৬৮ অমসুং মেচ লোইগদবা মতম খজিক্তা ঙাইরক্লবা মিনিট ৯২ চৎপা মতমদা শামুএল লালমুনপুয়ানা গোল অমমম চনখিদুনা টুর্নামেন্ট অসিদা মখোয়গী অহানবা ওইনা মায় পাকখি।

দেব রোজরগী মীওইশিংনা মশক থোক্না শান্নরক্তুনা মায়োক্নখিবা লম্বাবু নমহৎনবা হোৎনরকখি অদুবু লাজোংনা অহানবা হাফতা মতিং থোক্না শান্নরক্তুনা দি এস কেগী দিফেন্সপু নৈখায়খি।

মেচকী মিনিট ১০ চৎপা মতমদা ইশাকনা ফ্রী কিক অমদগী ক্রেস তৌরকখিবা বোল অমা চিংলেনস্নানা হেদ্দিং তৌশিনখিবদা টার্গেট মপা চুমখিদবদগী গোল ওন্থোকপা ঙমখিদে। লাজোংনা মায়োক্নখিবা সাইদতা হনবা লৈতনা চঙশিনখিবা অকনবা শাফুদা গোল চন্নবা হোৎনখি। অদুবু পাক হেক চনবদি ঙমখিদে। অহানবা হাফফাওবদা টিম অনীমক্না গোল অমত্তা চন্নবা ঙম্নদনা লৈখি।

অনীশুবা হাফতা শিল্লোং লাজোংনা মতম মাঙহনবা তৌদনা অথুবা এটেকশিং মায়োক্নখিবা দি এস কে সিবাজিয়ান্সকী মায়কৈদা তৌখি। থাংবোই সিংতোগী মীওইশিংনা দি এস কেগী দিফেন্সপু টেষ্টিং তৌখি।

মখোয়না তৌখিবা এটেক্তা শিল্লোংদা বেজ তৌবা আউটফিট অসিনা মেচকী মিনিট ৪৯ চৎপা মতমদা এলেন দিওইনা দি এস কেগী বোক্স মনুংদগী কাওশিনখিবা বোল অমা গোল ওন্থোকখিদুনা ১-০ দা মাঙজিল থানা চৎখি।

দি এস কেনা শিল্লোং লাজোংগী মায়কৈদা অকনবা লম্বা তৌরক্তুনা শান্নরকখি। মখোয়না মেচ অদুগী মতম খরদি দোমিনেট তৌনা চৎখি। অদুবু পুনেগী আউটফিট অসিনা নিংথিনা শান্নবা ঙমখিদবদগী গোল চন্নবগী খুদোংচাবা লৈখ্রবসু চনবা ঙমখিদে।

মেচকী মিনিট ৫৮ চৎপা মতমদা লালিয়ানজুলানা তৌখিবা এটেক অমদা গোল ওন্থোকপা য়ারম্বা অদু অরেম্বদা তাখি। শিল্লোং লাজোংনা মায়োক্নখিবা দি এস কে সিবাজিয়ান্সকী মায়কৈদা তৌখিবা এটেক অমদা মেচকী মিনিট ৬৮ চৎপা মতমদা এলেন দিরোইনা তৌখিবা ক্রোস অমা কেইথনা রাদিমতলাংদা খাইরকখি। মদুদা তলাংনা ওক্নগা অশোয়বা অমত্তা য়াওদনা দি এস কেগী গোল পোষ্ট মনুংদা কাওশিনখিদুনা গোল ওন্থোকখিবগা লোয়ননা ২-০ দা মাঙজিল থানা লৈখি।

মেচকী মিনিট ৭৫ চৎপা মতমদা লাজোংগী কপ্তিয়ন বিশাল কেইথপু রেফ্রিনা রেদ কার্দ পীখিবদগী ফিল্ডদগী মপান থোকখিদুনা থাংবোই সিঙতেগী আউটফিট অসি মীওই ১০ খক্তা ঙাইহৌখি।

দি এস কে সিবাজিয়ান্সনা শিল্লোং লাজোংগী প্লেয়র মশীং ৱাৎপগী খুদোংচাবা লৌরগা হালিচরন নজরেনা মেচকী মিনিট ৬৪ অমদি ৮৬ চৎপা মতমদা গোল অনী চনশিন্দুনা চাং মান্ননা লৈখি। মেচ অদুগী লোইগদবা মতম খজিক্তা ঙাইশিল্লক্লবা মিনিট ৯২ চৎপা মতমদা শাম্যুএল লালমুপুয়ানা গোল অমা চনশিনখিদুনা দি এস কে সিবাজিয়ান্সপু মায়থীবা পীখি।

# মণিপুরগী টেবল টেনিস প্লেয়র অহুম্না কালিফোর্নিয়াদা পাঙথোক্কদবা কোচিং কেম্পতা শরুক য়াগনি



ইম্ফাল, মে ১২ :

ইন্দিয়ন কম্যুনিতি সেন্তর আই সী সী মিলপিটাস, কালিফোর্নিয়ানা শিন্দুনা য়ুনাইটেদ ষ্টেটস ওফ অমেরিকাগী কালিফোর্নিয়াদা লৈবা মালপিটাসতা জুন ৫ দগী ওগষ্ট ২৫ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা চয়োল ১২ গী ওইবা টেবল টেনিস সম্মর কোচিং কেম্পতা শরুক য়ানবগীদমক মণিপুরগী টেবল টেনিস প্লেয়র অহুম য়াওনা ওফিসিএল অমা খল্লক্লে।

হায়রিবা কোচিং কেম্প অসিদা শরুক য়ানবগীদমক খনখ্রবা প্লেয়রশিং অদুদি রাজকুমার দেনিএল সিংহ, থোমাস এলাংবম অমদি লাইশ্রম বঙ্কিম সিংহনি। ওফিসিএলদা ইন্টরনেসনল কোচ থৌনাওজম ওপেন্দ্রো সিংহনি।

রাজকুমার দেনিএল থাংমৈবন্দ লৌরুংপুরেল লৈকায়দা লৈবা আর কে সুরজিৎ অমদি আর কে ওংবী হরিপ্রিয়াগী মচানুপানি। অদুগা থোমাস এলাংবম্না কৈশামথোং এলাংবম লৈকায়দা লৈবা এলাংবম ফালগুনি অমদি এলাংবম ওংবী প্রেমলতাগী মচানি। লাইশ্রম বঙ্কিম সিংহনা কসোম দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা ফৌসুপাৎ লৈকায়দা লৈবা লাইশ্রম ইবোতোম্বী সিংহ অমদি লাইশ্রম ওংবী লৈরেনতোম্বী দেবীগী মচানি।

প্লেয়র অমদি ওফিসিএলশিং অসিনা য়ু এস এদা হঙ্গৎ হন্দা চৎপা অমদি লৈবদা চঙগদবা শেনফমশিং আই সী সীনা পুথোক্কনি। কোচিং কেম্প অসিদা মালেমগী অফবা কোচশিং শরুক য়াবদা নত্তনা অতোপ্পা লৈবাকশিংদগী প্লেয়রশিংসু শরুক য়াগনি।

মণিপুরগী প্লেয়র অহুম অমদি ওফিসিএল অসি জুন ১ দা য়ু এস এগীদমক ইম্ফাল থাদোক্কনি।

অমরোমদা আই সী সীনা ষ্টেট অসিদগী প্লেয়র অহুম য়াওনা ওফিসিএল অমবু টেবল টেনিস সম্মর কোচিং কেম্পকীদমক খল্লকপদা ওল মণিপুর টেবল টেনিস এসোসিএশন্না হরাও তয়াম্বা ফোঙদোরক্লি। এসোসিএশন অসিনা শান্নরোয়শিং অমদি ওফিসিএলদা কোচিং কেম্প অদুদা মায় পাক্না শরুক য়াবা ঙম্নবা য়াইফ মঙ্গল পীখি।

# ইন্দিয়াগী জুনিয়র পেদ্দলরনা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখ্রে

মুম্বাই, মে ১২ : ইন্দিয়ন এ বোইজ টিমনা বেঙ্কোক্তা চথখিবা আই টি টি এফ ৱর্ল্দ জুনিয়র সার্ক্যুইট গোল্ডন সেরিজ টুর্ণামেন্টকী এস ঈ টি ২০১৭ থাইলেন্দ জুনিয়র এন্দ কেদেট ওপনগী জুনিয়র টিম ইভেন্টতা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখ্রে।

ইন্দিয়ন এ টিম অসি মানভ থাকর, পার্থ ভিরমানি অমদি মানুশ শাহনা শেল্লি। মখোয়না সেমী ফাইনেল রাউন্দদা জপানগী মখুৎতা মায়থীদুনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখিবনি হায়না এজেন্সিগী পাউ অমনা ফোঙদোরক্লি।

মেচ অদু হেক হৌখিবগা ইন্দিয়ানা টফ ওইবা চেল্লেঞ্জশিং জপানিজগী মায়কৈদগী ফংখি। ইন্দিয়াগী মানুশ শাহবু জপানগী ফুমিয়া ইগারাশিনা অহানবা রবরদা ৫-১১, ৫-১১, ৩-১১ দা মায়থীবা পীখি। অনীশুবা রবরদা থাকরনা নিংথিনা শান্নরকখিদুনা অহানবগী গেম অনীদি মায় পাকখি। অদুবু অরোইবদা মহাক্না সৈয়া নুমামুরাগী মখুৎতা গেম মঙাদা ১১-৮, ১১-৯, ৯-১১, ২-১১, ১১-১৩ দা মায়থীহৌখি। ভিরমানিসু রয়ু হিরুটাগী মখুৎতা ৫-১১, ৩-১১, ৬-১১ দা মায়থীখি। মমাঙদা শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল রাউন্দদা ইন্দিয়ন টিমনা হোংকোংবু ৩-১ দা মায়থীবা পীখিবনি। অদুগা বি টিমনা জপানগী মখুৎতা ০-৩ দা মায়থীখি। কেদেট বোইজগী সেক্সনদা ইন্দিয়াবু হোংকোংনা ক্বার্টর ফাইনেলদা ৩-০ দা মায়থীবা পীখি।

# মুতুম তোম্বা অমসুং মুতুম শঙ্কর টেবল টেনিস টুর্নামেন্ট হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ১২ :

মণিপুর ভেটরান টেবল টেনিস এসোসিএশন্না শিন্দুনা দি এম কোলেজ কেম্পসতা লৈবা ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা ঙসিদগী ৯ শুবা মুতুম তোম্বা অমসুং মুতুম শঙ্কর টেবল টেনিস টুর্নামেন্ট হৌদোকখ্রে।

থা অসিগী ১৪ ফাওবা চথগদৌরিবা টুর্নামেন্ট অসিদা নুপাগীদা চহী ৪০ মথক্কী কাঙলুপ্তা প্লেয়র ১৭, চহী ৫০ মথক্কীদা প্লেয়র ২০, চহী ৬০ মথক্কীদা প্লেয়র ৮ অমদি চহী ৭০ মথক্কীদা প্লেয়র মরি অদুগা নুপীগী কাঙলুপ্তা প্লেয়র ৮ য়াওনা অপূনবা প্লেয়র ৫৭ না শরুক য়ারি।

টুর্নামেন্ট অসি হৌদোকপগী থৌরমদা মণিপুর ভেটরান টেবল টেনিস এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট ও দিজেন্দ্রনা থৌরম মপু, এসোসিএসনগী ভাইস প্রসিদেন্ট ঐচ রাজেন্দ্র, সেক্রেটরি এস চন্দ্র, জোইন্ট সেক্রেটরি এম নোরেন, ত্রেজরর চন্দ্রসেখর, ডা. ঐচ নিরেন্দ্র, কে ইবেয়াইমা, ইগজিক্যুটিভ মেম্বর সি ঐচ লোকেন্দ্রনা দাইজ মেম্বর ওইনা শরুক য়াখি।

চেম্পিয়নশিপ অদু হৌদোকপগী থৌরমদা মণিপুর ভেটরান টেবল টেনিস এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট ও দিজেন্দ্রনা হায়খি, মণিপুর ভেটরান টেবল টেনিস এসোসিএসন্না শিন্দুনা পাঙথোক্লিবা টুর্নামেন্ট অসি মরুওইনা চহী ৪০ দগী ৮০ ফাওবগী মনুংদা লৈবা নুপা অমদি নুপীগী কাঙলুপ্তা অখন্নবা পাঙথোকপা টুর্নামেন্ট অমনি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়ারিবা শান্নরোয়শিংগী মনুংদা চহী ৫৩ শুরবা কিডনি ট্রান্সপ্লান্ট তৌখ্রবা প্লেয়র লোকেন্দ্রো চনম্বম্না চহী ৫০ মথক্কীদা শরুক য়াদুনা কিডনি ট্রান্সপ্লান্ট তৌরবা মতুং হকচাং ফনা থম্নবগীদমক শান্নবা হায়বসি মথৌ তাই হায়বদু তাকখি। মহাক্না মান্নবা পেসেন্টশিংসু শরুক য়াবা য়াই হায়বসি মহাক্না মরম ওইরগা মীপুম খুদিংনা খঙনবা তাকখি।

টুর্নামেন্ট অসি হৌদোকপা নুমিৎতা পাঙথোকখিবা তোঙান তোঙানবা চহী কাঙলুপকী কম্পিটিসন্দা চহী ৫০ মথক্কী গ্রুপ বিদা এম নোরেন্না আই চন্দ্রসেখরবু ১১-৫, ১১-৪, ৯-১১, ১১-৪ দা মায়থীবা পীখি।

গ্রুপ সীগী চহী ৫০ মথক্কী কাঙলুপ্তা লোকেন্দ্রো চনম্বম্না পি শান্তচান্দবু ষ্ট্রেট সেটতা ১১-২, ১১-৭, ১১-৩ দা মায়থীবা পীখি। গ্রুপ দিগী চহী ৫০ মথক্কী কাঙলুপ্তা টি ঐচ রাজেন্দ্রোনা ডা. টিমনিহারবু ১১-৪, ১১-৮, ১১-২ দা মায়থীবা পীখি।

# পি ভি সিন্ধু, সাইনা নেহৱালনা ইন্দোনেসিয়া অমসুং ওষ্ট্রেলিয়া ওপনদা টাইটল লৌনবা মিৎয়েং থল্লি

ন্যু দেল্লি, মে ১২ :

ইন্দিয়াগী শক্লাইরবী সট্লর পি ভি সিন্ধু অমদি সাইনা নেহৱাল অনীনা লাক্লিবা ইন্দোনেসিয়া ওপন অমসুং ওষ্ট্রেলিয়া ওপনগী টাইটল লৌননবগী মিৎয়েং থল্লি।



ইন্দোনেসিয়া ওপন সুপর সেরিজ অসি লাক্লিবা জুন ১২ দগী ১৮ ফাওবা অদুগা ওষ্ট্রেলিয়ন ওপন সুপর সেরিজনা জুন ২০ দগী জুন ২৫ ফাওবা পাঙথোক্কনি।

মালেমগী নম্বর ফোরদা লৈরিবা পি ভি সিন্ধু অমদি সাইনানা ওপন অনীন অসিদা শুংশোয় শোয়দনা টাইটল লৌননবগীদমক অকনবা মিৎয়েং থমদুনা শেম শাবগী থবক চথরি।

নুপাগী সিঙ্গলসতা মালেমগী ১৩ শুবা মফমদা লৈরিবা অজয় জয়রামনা ইন্দিয়াগী কন্টিনজেন্টপু লুচিংগনি। ইন্দিয়াগী টিম অসিদা কুমজা ২০১৭ কী সিঙ্গাপুর ওপনগী ফাইনেলিষ্ট কিদম্বী শ্রীকান্ট, ঐচ এস প্রনোয়, সাই প্রানিট, সমির বর্ম্মা অমদি কাস্যপ য়াওরি।

নুপীগী দবলস কম্পিটিসন্দা অশ্বনি পোনাপা অমদি সিকি রেদ্দিনা ইন্দিয়াগী অমত্তা ঙাইরবা জুরা ওইনা শরুক য়াগনি। অদুগা মিক্স দবলস ইভেন্টতা প্রনব জেরি চোপ্রা অমদি সিকি রেদ্দি অমসুং সুমিথ রেদ্দি অমদি অশ্বানি পোনাপানা শরুক য়াগনি।

লাক্লিবা ইন্দোনেসিয়া অমদি ওষ্ট্রেলিয়া ওপন অসিগীদমক শরুক য়াগদবা শান্নরোয়শিংগী মমিং লাউথোক্লদুনা বেদমিন্টন এসোসিএসন ওফ ইন্দিয়াগী জেনরেল সেক্রেটরি অনুপ নরাঙনা হায়খি, ঐখোয়না ওপন অনী অসিগীদমক মাঙজৌননা টিম প্লেয়রশিং লাউথোক্লে। মসিনা প্লেয়রশিংনা মখোয়গী চৎননবগী শেম শাননবা থৌরাংদা হেন্না খুদোংচাহল্লগনি। লোয়ননা মখোয়না টুর্নামেন্ট অসিগীদমক ফিজিকেল্লি অমদি মেন্টেল্লি শেম শানবগীদমক মতিক চানা মতমসু ফংলগনি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

বেদমিন্টন এসোসিএসন ওফ ইন্দিয়ানা ইন্দোনেসিয়া ওপন্দা শরুক য়ানবগীদমক লাউথোকখ্রবা প্লেয়রশিং অদুদি মেন'স সিঙ্গলসতা অজয় জয়রাম, কিদম্বী শ্রীকান্ট, ঐচ এস প্রনোয়, পি কাস্যপ, বি সাই প্রানীথ, সমির বর্ম্মানি। নুপীগী সিঙ্গলসতা পি ভি সিন্ধু, সাইনা নেহৱালনি। নুপীগী দবলসতা অশ্বনি পোনাপা অমদি সিকি রেদ্দিনি। মিক্স দবলদা প্রনব জেরি চোপ্রা অমদি সিকি রেদ্দি অমসুং সুমিথ রেদ্দি অমদি অশ্বানি পোনাপানি।

নুপাগী দবলসতা মানু আত্রি অমদি সুমিথ রেদ্দি অমসুং চিরাক সেট্টি অমদি সাটৱিক সাইরাজনি।

ওষ্ট্রেলিয়ন ওপনগীদমক লাউথোকখ্রবা প্লেয়রশিংনা নুপাগী সিঙ্গলসতা কিদম্বী শ্রীকান্ট, সামির বর্ম্মা, পারুপালি কাস্যপ, অজয় জয়রাম, ঐচ এস প্রনোয়, সাই প্রানিথনি। নুপীগী সিঙ্গলসতা সাইনা নেহৱাল, পি ভি সিন্ধুনি।

মেন'স দবলসতা মানু আত্রি অমদি সুমিথ রেদ্দি, চিরাক সেট্টি অমদি সাটৱিক সৈরাজনি। নুপীগী দবলসতা অশ্বনি পোনাপা অমদি সিক্কি রেদ্দি, মিক্স দবলসতা প্রনব জেরি চোপ্রা অমদি সিক্কি রেদ্দি অমসুং সুমিথ রেদ্দি অমদি অশ্বনি পোনাপানি।

সঙাই ট্রোফি ভেটরান'স ফুটবোল চেম্পিয়নশিপ

# এম য়ু এস এনা আই ঈ ভি এফ এবু মায়থীবা পীখ্রে

ইম্ফাল, মে ১২ :

ওল মণিপুর য়ুনাইটেদ ভেটরান ফুটবোল এসোসিএশন্না শিন্দুনা থম্বালনু গ্রাউন্দ কাইনাদা চথরিবা অহানবা সঙাই ট্রোফি ভেটরান'স ফুটবোল চেম্পিয়নশিপ ২০১৭ কী ঙসি শান্নখিবা মেচতা এম য়ু এস এনা আই ঈ ভি এফ এবু ৩-১ দা মায়থীবা পীখ্রে।

মেচ অদুদা এম য়ু এস এ অমদি আই ঈ ভি এফ এ অনীনা শান্নরকখি। টিম অনীনা মেচ হেক হৌখিবগা মখোয় মখোয়গী মায়োক্নখিবা সাইদশিংদা এটেকশিং তৌদুনা চঙশিন্নখি।

আই ঈ ভি এফ এনা মায়োক্নখিবা এম য়ু এস এগী মায়কৈদা তৌখিবা এটেক অমদা মেচকী মিনিট ১৫ চৎপা মতমদা গোল অমা চনখিদুনা ১-০ দা মাঙজিল থানা লৈখি।

আই ঈ ভি এফ এনা গোল চনখিবগী তপথদ্রবা এম য়ু এস এনা মায়োক্নখিবা সাইদতা অকনবা এটেক তৌদুনা গোল ইক্বেলাইজ তৌননবা হোৎনরকখি। মখোয়না তৌখিবা শাফু কল্লবা এটেক অমদা মেচকী মিনিট ৩৫ চৎপা মতমদা গোল অমা চনশিন্দুনা ১-১ দা চাং মান্ননা লৈখি।


এম য়ু এস এনা মখা তানা মায়োক্নখিবা আই ঈ ভি এফ এগী মায়কৈদা অকনবা প্রেসর পীদুনা চঙশিনখিবা এটেক্তা মেচকী মিনিট ৪০ চৎপা মতমদা ইঙোবীনা গোল অমা চনশিনখিদুনা ২-১ দা মাঙজিল থানা লৈখি।

অনীশুবা হাফতা এম য়ু এস এনা হেন্না মতিং লৈনা শান্নরকখি। মখোয়না মায়োক্নখিবা আই ঈ ভি এফ এগী মায়কৈদা অকনবা এটেক তৌদুনা গোল চন্নবা হোৎনখি। মখোয়না তৌখিবা এটেক অদুদা গোল চন্নবগী খুদোংচাবা ফংখ্রবসু নিংথিনা কাওশিনখিদবদগী গোল ওন্থোকপা ঙখিদে।

আই ঈ ভি এফ এসু অহেনবা গোলশিং চন্দুনা মায় পাক্নবা হোৎনরকখি। অদুবু টিমমেটশিংগী মরক্তা অমগা অমগা চাশিন্নবা ৱাৎখিবদগী গোল চন্নবগী খুদোংচাবা মাঙখি।

এম য়ু এস এনা মখা তানা চঙশিনখিবা এটেক্তা মেচকী মিনিট ৯২ চৎপা মতমদা গোল অমা চনশিন্দুনা ২-১ দা লৈখি। টিম অনীনা মখোয় মখোয়গী অহেনবা গোলশিং চন্নবগীদমক হোৎনখ্রবসু গোল অমত্তা মখা তানা চনবা ঙমখিদবদগী আই ঈ ভি এফ এনা এম য়ু এস এগী মখূৎতা গোল অমা শোত্থনা মায়থীহৌখি।




Printed, published by Soubam Niladhaja Singh owned by Soubam Niladhaja Singh published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal-795001 & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal, Manipur
Editor : Hemantakumar Ningomba; Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Group Editor : Soubam Niladhaja Singh; RNI No. 40746/1978; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com, www.hueiyenlanpao.com